# হিরো সেকেন্দ দিভিজল আই লীগ

## ত্রাউগী প্রিন্স ৰিল অমদি জোসেপকী গোলনা মোহনমেদানবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ হিরো সেকেন্দ দিভিজল আই লীগ ২০১৮–১৯ গী গ্রুপ–সিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা শগোলশেম নুমিৎতা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ত্রাউগী ৩শুবা হোম মেটচতা য়ুম্বুনা এৰে টিম ওইরিবা কোলকাতাগী মোহনমেদান স্পোর্টিং ক্লবপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু ত্রাউগী নাইজরিয়ান শান্নরোই প্রিন্স ৰিল অমদি জোসেপনা চনখিবনি।

ত্রাউগী অহুমশুবা হোম মেটচ অসিদা টিম অসিগী ওফেন্সিপ শান্নরোইশিংনা শিংথনিঙাই ওইরবা পাফোর্মেন্স পীদুনা অঙনবা মিনটশিং দগী এৰে টিমগী মাইকৈদা এটেক্ট চথখি।

অদুবু এৰে টিমনা মিনট ১২ চৎপদা চত্থরকপা কাউন্টর এটেক্ট অমদা মোহনমেদাগী টিম কেপ্টেনসু ওইরিবা ঘানা মচা ফোর্ৱাদ শান্নরোই জর্সি নম্বর ১০ ফিল্লিপ অদজনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

গোল একাউন্ট হাংখ্রবা মতুংদা মেটচ অসি মাইয়োল অমদা লাক্তুনা য়ুম্বুনা বোল হেন্না পায়দুনা মেটচ অসি অমুক লাকশিল্লকখি।

ত্রাউনা চত্থখিবা এটেক্টশিং অদুগী মহৈ ফঙদুনা মিনট ২৫ চৎপদা য়ুম্বুগী জর্সি নম্বর ১১ ঙাংবম নাওচানা ত্রাউগী কেপ্টেন জর্সি নম্বর ১০ প্রিন্স ৰিল ইমেকাদা ফাজরবা বোল অমা খাইদোকখি।

বোল অদু ত্রাউগী কেপ্টে অসিনা বোক্স মপালদগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা কাউশিনখিবা বোল অদু অহাংবা নেট মনুংদা চঙহনদুনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

য়ুম্বুনা হাল্ফ মমাংদা গোল মাং জিল থাবা য়াবা পেনাল্টি অমা ফঙখ্রবসু প্রিন্স ৰিলনা পেনাল্টি অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমখিদে।

অহানবা হাল্ফ অসিগী অহাপ্পা মিনটতা ত্রাউগী শান্নরোই সন্দিপ অমদি কি ভি জি মো মি না তৌখিবা গোল এটেম অনীমক পোষ্টতা পাল্লগা হন্দোক্তুনা অরেম্বা তাখি।

টিম অনীনা হাল্ফ অসিদা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদনবা ১–১ দা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ত্রাউনা অনৌবা লাংলোং শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎনরক্তুনা এটেক্ট হেঞ্জিল্লকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটতা ত্রাউগী জর্সি নম্বর ২৩ জি মোমিগী হেন্দিং অদু এৰে টিমগী গোল কিপর প্রিয়ান কুমারনা সেব তৌবদগী গোল মাংজিল থাবা ঙমখিদে।

ত্রাউগী হোৎনবা কনবনা মিনট ৫৫ চৎপদা ফঙখিবা থৌ ইন অদুবু জিমোমিনা শমজিল্লক্তুনা বোক্স মনুং তমনা পুশিল্লক্লগা জোসেপতা খাইখি।

জোসেপনা বোল অদু থেংথবা তৌদনা নেট মনুং তমনা কাউশিল্লক্তুনা ২–১ দা মাংজিল থাদুনা মাই পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

অপীবা মিনট লোইরমদাইদসু ত্রাউগী অহুমশুবা চনবা য়াবা তাঞ্জা অদু জোসেপনা মোহনমেদানগী গোল কিপরদা চপ চানা কাউশিনখিদুনা গোলদা ওন্থোকখিদে।

মেটচ অসিদা ত্রাউগী সহাবাস খান অমদি সোরাইশম সন্দিপ্তা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ত্রাউনা মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা গ্রুপ অসিগী টেবলগী অনীশুবা মফম কনখ্রে। অদুগা মাইথিরবা মোহনমেদান স্পোর্টিং ক্লবনা মেটচ ৫দা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা ৫শুবদা লৈরি।

ত্রাউগী মথংগী মেটচ মার্চকী তাং ৩ দা জসেপুর এফ সি (আর) গা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

# রেক্সকী ৱিকেট ৪না মপুং ওইরগা ইন্দিয়ানা সাউথ আফ্রিকাবু ইন্নিংস অমগা রন ১৫৮দা মায়থিবা পীখ্রে

থিরুবান্থপুরম, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ ইন্দিয়াগী চহি –১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমনা সাউথ আফ্রিকাগী চহি–১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমগা শান্নখিবা নুমিৎ মরিনিগী টেষ্ট মেটচতা মণিপুর মচা রেক্সকী ৱিকেট ৪না মপুং ওইরগা ইন্দিয়ানা সাউথ আফ্রিকাবু ইন্নিংস অমগা রন ১৫৮ দা মায়থিবা পীখি।



নুমিৎ মরিনিগী টেষ্ট মেটচ অসিগী তোচ সাউথ আফ্রিকানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকখি। সাউথ আফ্রিকানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৫৫শুবা ওভরগী মরিশুবা বোলদা ৱিকেট ১০মক আউত ওইরগা শুপ্নগী রন ১৫২ খক লৌখি।

সাউত আফ্রিকাগী ইন্নিংস অদুদা ওপন্নর রুৱান তরব্লাঙ্কেনা লৌখিবা রন ৫১ অমদি ৬শুবা বেটচমেন ব্রাইস পর্সননা লৌখিবা রন ৬৪ টিম অসিগী শিংথবা য়াবা স্কোর ওইখি।

সাউথ আফ্রিকাগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লর মানিসিনা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মাই পাকপা বোল্লর ওইখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপা ওভরর ১০২ শুবগী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৩৯৫ লৌবা ঙমদুনা সাউথ আফ্রিকাদগী রন ২৩৩ মাংজিল থাদুনা চৎখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপন্নর য়াসাসভি জেসৱালনা য়াম্না ফাজবা নুপীগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ১৭৩ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

৭শুবা বেটচমেন ভাইভাভ কান দপালনা বোল ১৭২ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ১৭ য়ৈরগা রন ১২০ লৌরম্বা অদুসু টিম অসিগী শিংথবা য়াবা স্কোর ওইখি।

সাউথ আফ্রিকানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৪৬শুবা ওভরগী মরিশুবা গোলদা ৱিকেট ১০মক আউত ওইরগা রন ৮৫ খক লৌবা ঙমখিবদগী নুমিৎ ৪গী ওইবা টেষ্ট মেটচ অদু ইন্দিয়াগী চহি ১৯ মখাগী টিমনা ইন্নিংস অমগা রন ১৫৮ দা থোইবা ঙমখি।

সাউথ আফ্রিকাগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু মণিপুরগী শান্নরোই রেক্স সিংহ না মচেৎ তানা থুগাইখিবনি।

রেক্সনা ওভর ৯ গা বোল ৪ লংবদা শুপ্নগী রন ১৮ পীরগা সাউথ আফ্রিকাগী বেটমেন মরি আউত তাহনবা ঙমখি।

সাউথ আফ্রিকাগী ইন্নিংস অদুদা অহুমশুবা বেটচমেন ওইখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন মেথিয়ু মোন্টগোমেরিনা রন ৩৬ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

# নীপালশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি ২৮ঃ কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শিন্দুনা চহি অসিগী মার্চ ২০ দগী ২৫ ফাওবা ৮শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়না কনভেনর,ওর্গনাইজিং সব–কম্মির্টি ৮শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯ সঞ্জোয় খুলাকপমনা ঙসি পাউমিশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখ্রে।



খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মনিংদা লৈবা কে এস এগী হেট ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমিশিংগা উনবা অদুদা সঞ্জোয় খুলাকপমনা মখা তনা হায়,লমদম অসিগী নহা ওরিবা কয়ানা য়াওশঙগী মরুমদা ঈশিং হৈনবা,লম্বি–লমজাওদা থৌরি থৎতুনা পৈশা নিবা পৈশা খাইবা লোয়ন্ননা পিকলিবা অঙাং শিংনা য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা শেল নিবগী চৎনবি অমা লদম অসিদা লিশং শিৎনা চতথদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা চৎনবি কয়া অসিনা হৌরকলিবা মীরোলশিংদা ফজদ্রবা লমচৎ মরু হুনহলবতা নত্তনা পীকলিবা অঙাংশিংদা মীঙোনদগী নিরগা চবা মিপান তাংলগা হিংবগী ফত্রবা ৱাখললোন চেনহন্দুনা লাকলি।

অসিগুম্বা ৱাখনলোন অসিবু নাথৈদুনা মীপুম খুদিংমক্কা শান্না–খোৎনবদা মায় ওনশিনলসি হায়বগী ৱাখললোনদা হৌখিবা কুমজা ২০১২ তগী কে এস এনা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিবু পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মহাক্না মখা–তানা হায় ৮ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯ অসিদা মশান্না ৬ক্তা শান্নরোইশিংনা অথোই অহেন তানগনি।

মশান্নশিং অদুদি ৮শুবা কংলৈপাক কাঙ ট্রোফি,৮শুবা কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০১৯(য়ু–১৭ বোইজ),৮শুবা কংলৈপাক মারথোন রেস (মেন্স ওপন),৭ শুবা কংলৈপাক চৈবি য়েন্দনবা (সব–জুনিয়ার বোইজ এন্দ গর্লস),৪শুবা কংলৈপাক থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ(য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গর্লস) অমদি ৮শুবা ইন্টর জে এস সি সি ফুটবোল ট্রোফিনি।

স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী মপাও পুবা ওইনা মার্চকী তাং ১৭ তা স্পোর্টস ফোর এ চেঞ্জ হায়বা থিম অসিদা সাইকল রেল্লি অমসু পাঙথোকনি।

পাঙথোকদৌরিবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিদা শান্নববু থাৱাই হাপিরিবাশিং অমদি শান্নরোইশিংবু য়োখৎপা পামজবা কংলৈজা খুদিংনা মতেং পাঙবিদুনা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিবু হেন্না মপুং ফাহনবদা শরুক য়াবিয়ু হায়না সঞ্জোয় খুলাকপমনা মীয়ামদা অপিল তৌরকলি।

# তরেৎশুবা এমভিসিএ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

## অহানবা মেটচতা চেম্প খাগেম্পল্লি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এমভিসিএ) না শীন দুনা লংথবালগী পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৭না শরুক য়াদুনা তরেৎশুবা এমভিসিএ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সিঐচ চাওবা সিংহ, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ভি পি এ বিজেন্দ্র সিংহ, মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী পত্রোন দব্লিউ বগতরাজ সিংহ, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সিংঙম প্রিয়ানন্দ সিংহ অমদি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী এদভাইজর আর কে বিধুনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা চেম্প খাগেম্পালিনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনবু রন ৫৫তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা চেম্পা খাগেম্পালিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা ওভর ১৮ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮৯ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ১৭তা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৪ খক লৌদুনা মেটচ অসি চেম্পনা রন ৫৫তা মায় পাকখি।

অহানবা বেট্টিং পায়খিবা চেম্পকী জোদিবানা বোল ২৩দা রন ৬৬, রোবিন্সননা বোল ২৭দা রন ৩৪ অমদি ইবোবিনা রন ১৫ লৌখি।

ইন্নিংস অসিগী সাইক্লোনগী বোল্লিংদা সুরজিৎনা ৱিকেট অনী লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং পায়খিবা সাইক্লোনগী রোহিন্দ্রোনা বোল ২৪দা রন ২৬ লৌখি। ইন্নিংস অসিগী চেম্পকী বোল্লিংদা ইবোবিনা ৱিকেট ৩ অমদি জোদিবানা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা চেম্পকী ৱিকেট ২ অমদি রন ৬৬ লৌখিবা জোদিবানা তাখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা দি এস য়ু অমদি এল সি সি সি গা শান্নরগনি । অদুগা অনীশুবা মেটচতনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল অমদি নপ্সাগা শান্নরগনি।

# অহানবা বি বি এম নিংশিং ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এ টি ভি এফ এ থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এস দব্লিউ সি নুংঙোই গ্রাউন্দা টিম ৮না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ২৭তগী চত্থরিবা অহানবা বি বি এম নিংশিং ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–বিগী মেটচতা এ টি ভি ই এফ এ থাংমৈবন্দনা সঙাই এফ সি থাংমৈবন্দবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা এ টি ভি এফ এ না বোল হেন্না পায়দুনা সঙাই এফ সিবু লাকশিনদুনা অ ঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনদুনা শান্নখি।

অঙনবা মিনট ৬ চৎপদা এ টি ভি ই এফ এ গী জর্সি নম্বর ১৪ হেরোজিৎনা গোল একাউন্ট হাং দুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী লেমহৌবা মিনটশিংদসু এ টি ভি এফ এ না বোল পোজিসন হত্থুনা শান্নদুনা মিনট ২৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৪ হেরোজিৎনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা হেরোজিৎকী গোল অনী অসিনা ২–০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এ টি ভি এফ এ না অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরক্তুনা সঙাই এফ সি গী মাইকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট চত্থরকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৩৫তা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২১ দিল্লিপনা টিমগী অহুমশুবা গোল চনদুনা ৩–০ দা মাংজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা সঙাই এফ সি না গোল হন্দোক্লবা হোৎনরবসু এ টি ভি এফ এ গী শান্নরোইশিংনা মথৌ খঙনা শান্নদুনা সঙাইনা চত্থরকখিবা এটেক্টশিং অরেম্বা তাহনদুনা গোল ওন্থোকহনখিদে।

মেটচ অসিগী মিনট লোইরমদাই ৫৩ দা এ টি ভি এফ এ গী জর্সি নম্বর ১৫ নবানা টিমগী মরিশুবা গোল চনদুনা ৪–০ দা মাংজিল থাখি।

টিম অসিনা চত্থরকপা এটেক্ট অমদা নবাগীনা অনীশুবা গোল অমদি টিমগীনা মঙাশুবা গোল অদু মিনট ৬০ চৎপদা চনদুনা ৫–০ দা মাংজিল থাখি।

অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা সঙাইনা গোলা অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি ৫–০ দা মায়থিবা নঙখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা টি আর ভি এস এ মালোম অমদি টি ভি এস এফ এ তবুংখোকক্কা শান্নরগনি।

অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৩ তাবাদা এফ ভি এফ এ উয়ুমপোক অমদি ভসাই থাংমৈবন্দগা শান্নরগনি।

# তরেৎশুবা কেঐচ নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেন্স ফুটবোল

## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৭শুবা নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নমেন্ট ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা ১২শুবা মেটচকী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচতা এলেবেন ষ্টার এস সিনা মোঙ্গোলোইদ এফ সিবু গোল ৭–৩ দা মায়থিবা পীদুনা এলেবেন ষ্টার সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ দা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচতা এলেবেন ষ্টার এস সি অমদি মোঙ্গোলোইদ এফ সি টিম অনীনা শান্নখি। এলেবেন ষ্টারনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা মোঙ্গোলোইদ এফ সিনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাঙদা টিম অনীমক্না কন্না শান্নখি। অদুবু এলেবেন ষ্টার এস সিগী টিমনা অয়াম্বা এটেক্ট তৌখি। এলেবেন ষ্টার এস সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৯ এন রামেসনা মিনট ২২দা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাঙদা গোল ১–০ দ মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা টিম অনীনা য়াম্না কন্না গোল চন্নবা হোৎনখি।

এলেবেন ষ্টার এস সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৯ এন রামেসনা মিনট ৫৮ অমদি ৬১ দা গোল অনী,জর্সি নম্বর ৬ টিঐচ রোবিনন্সনা মিনট ৬৮,জর্সি নম্বর ৭ সোভামিনা মিনট ৮২দা গোল অমমম অমদি জর্সি নম্বর ১৫ ওকে রোবিটনা মিনট ৯০ অমদি ৯০ প্লস ৩ গোল অনী পুন্না গোল ৭ চনখি।

অদুগা মোঙ্গোলোইদ এফ সিগী গোলশিংদুনা জর্সি নম্বর ১১ জোন হমরনা মিনট ৭৭,সাম্যুলনা মিনট ৮৬ অমদি জেহোভানা মিনট৮৭ গোল অমমম চন্দুনা পুন্না গোল ৩ খক চনখি।

অরোইবা মতমদা এলেবেন এ্টার এস সিনা মোঙ্গোলোইদ এফ সি টিমবু গোল ৭–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

এলেবেন ষ্টার এস সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৬ কে অনিসকুমার অমদি জর্সি নম্বর ১৮ কেঐচ সাদনন্দাদা রেফ্রিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কাদ বুক তৌখি।

ঙসিগী মেটচতা আরকে অঙৌসনা,কেঐচ নিলাকমল সিংহ,ঐচ সন্তোস সিংহ অমদি পিঐচ লনথোইবা সিংহনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এ আর –১, এ আর –২ অমদি ফোর্থ রেফরিনা ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই এস এ তমেংলোংগা মণিপুর পুলিস এস সি ইম্ফাল ৱেষ্ট। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা লাকলিবা মার্চকী তাং ২ দা এলেবেন ষ্টার এস সি অমদি টি আর য়ু জি পি য়ু (ত্রগপু)গা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা মার্চকী তাং ৪ দা শান্নগনি।

# তরেৎশুবা কে য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, অকাম্পাৎনা শীন্দুনা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ২০দগী চত্থরক্লিবা ৭ শুবা কোইজম য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী মেটচতা এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুংনা এ এন বি এ উরিপোকপু য়াম্না লাকচনা গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এফ ভি ই দব্লিউ এ না গোল অনী অদুগা অনীশুবা হাল্ফতনা গোল মরি চনদুনা পুন্না গোল ৬ অদু চনখিবনি।

মেটচ অসিগী মিনট ৫ চৎপদা এফ ভি দব্লিউ এ গী জর্সি নম্বর ৯ কোসেন মরিংনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

শোত্থরিবা গোল অদু এ এম বি এ না হন্দোক্লবা হোৎনরবসু টিম অসিগী এটেক্টরশিংনা গোল হন্দোকপা য়াবা তাঞ্জা অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৪ চৎপদা এফ ভি দব্লিউ এ গী জর্সি নম্বর ১৪ লমখোলেন কিপজেননা মিনট ২৪ চৎপদা টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ২–০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল অনী মাংজিল থানা লৈরিবা এফ ভি দব্লিউ এ না অনৌবা লাংলোন শিজিন্নরক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিনবা হোৎনরকখি।

মদুগী মহৈ ফঙলদুনা মিনট ৩৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৪ লমখোলিন কিপজেননা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল চনদুনা ৩–০ দা মাংজিল থাখি।

টিম অসিগী মরিশুবা গোল অদু অহুমশুবা গোল চল্লবা মতুংগী মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৩৭তা জর্সি নম্বর ৬ থাংমিনলেন চোংলোইনা চনখি।

মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু এফ ভি দব্লিউ এ না বোল হেন্না পায়সরগা লাকশিন্দুনা শান্নখি।

টিমগী মঙাশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৫ এল দেবান সিংহ না মিনট ৪৪ চৎপদা চনদুনা ৫–০ দা মাংজিল থাখি।

টিম অসিগী তরুকশুবা গোল অদু এ এম বি এ গী দিফেন্দরগী অহোবগী তাঞ্জা অমদা জর্সি নম্বর ১৬ এম দি অব্দুল হাকিমনা মিনট ৪৮ চৎপদা চনদুনা ৬–০ দা মাং জিল থাদুনা মায় পাকপগী য়ুমফম অদু ফঙখি।

চত্থরিবা তরেৎশুবা কোইজম য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী হয়েং গ্রুপ–দিগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবাদা ভি এফ সি নাইন এ এম অমদি আই ই ভি এস এ গা শান্নরগনি।

অদুগা গ্রুপ অসিগী হয়েংগী অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ৩ তাবাদা ভি এফ সি (বি) ককৱা অমদি তপাসা তৌবুংখোকক্কা শান্নরগনি।

APOLLO TUTORIAL CENTRE

Admission Open For

FOUNDATION COURSE - XI & XII Science

CLASS XII- ENGLISH TUTION ( COHSEM) MORNING ( SUN & HOLIDAY)

WANTED TWO RECEPTIONIST WITH COMPUTER KNOWLEDGE
Apply On Or Before 31ST MARCH 2019

Facilities
- Hostel Seats For Boys & Girls
- Free Text Book Sets
- No Admission Fee
- MOCK Test Series

Special Concession
- SC/ ST / MOBC
- Meritorious Students
- Govt. School Students
- Hostelers (Apollo)

Form Issue: 01/02/2019
Class Starts: 02/04/2019
Class Timing: 4:30pm-7:40pm

LAST DATE OF ADMISSION 2ND APRIL 2019

FOR CLASS- X 2019 APPEARING STUDENTS 30% CONCESSION FOR 1ST 30 STUDENTS

For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com